# সি এম ঐচ টি অমদি পি এম জে এ ৱাইগী মখাদা বেনিফিস্যিারি ২৮৫০২ দা খুদোংচাবা ফংহনখ্রে

মাইবম কেনেদী

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেঙবাং (সি এম ঐচ টি) অমদি প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা যোজনা (পি এম জে এ ৱাই) গী মখাদা ষ্টেট অসিগী ওইনা চহী অসিগী দিসেম্বর ৩ ফাওবদা অপূনবা বিনিফিস্যারি ২৮৫০২ দা স্কিমশিং অসিগী খুদোংচাবা ফংহনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেঙবাং (সি এম ঐচ টি) অসি কুমজা ২০১৮ গী জনুৱারি ২১ দা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লোঞ্চ তৌখিবনি। স্কিম অসিগী মখাদা ষ্টেট অসিগী লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা ইমুংশিংদা অনা–অয়েক য়াওরকপা মতমদা চহী ১ দা লুপা লাক্ষ ২ কোভর তৌরিবনি। অমরোমদা প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা যোজনা (পি এম জে এ ৱাই) অসিনা কুমজা ২০১৮ গী সেপ্টেম্বর ২৩ দা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা লোঞ্চ তৌখিবনি। স্কিম অসিগী মখাদা বেনিফিস্যিারিশিং দা লুপা লাক্ষ ৫ কোভর তৌরি। হায়রিবা স্কিমশিং অসিগী মখাদা বেনিফিস্যিারিশিংদা লৈবাক অসিগী ইম্পানেল্টেদ হোস্পিটালশিংগী খুত্থাং দা খুদোংচাবশিং ফংহল্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্ঠ দিপার্টমেন্টতগী ফংবা রিপোর্ট অমগী মতুং শন্না সি এম ঐচ টিগী ওইনা চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ৩ ফাওবগী মনুংদা পূন্না ইমুং ৭৮১৫৬ স্কিম অসিগীদমক ইনরোল তৌখ্রে। হায়রিবা ইমুংশিং অসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ইমুং ১০৭৮৬ নি। চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ইমুং ২৪৭০, চুরাচান্দপুরগী ওইনা ৪৭০৭, ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা ১৬১২৭, ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা ১৫০৯২, জিরিবামগী ওইনা ইমুং ৮৫২ নি। ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ৬৭২৩, কামজোংগী ওইনা ৩৭৫, কাংপোকপীগী ওইনা ৩৪৭৮, নোনেগী ওইনা ৩২৯, ফেরজোলগী ওইনা ৩১৫, সেনাপটিগী ওইনা ২৯১৯, তমেংলোংগী ওইনা ১৯৭২, তেংনৌপলগী ওইনা ১০৯৩, থৌবালগী ওইনা ৮৬১০ অমসুং উখ্রুলগী ওইনা ২৩০৮ পূন্না ইমুং ৭৮১৫৬ ইনরোল তৌরে হায়রি।

অমরোমদা, পি এম জে এ ৱাই স্কিমগী ওইনা চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ২ ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট অসিগী ওইনা পূন্না ইমুং ১৯৮২৯৫ ইনরোল তৌখ্রে। হায়রিবা ইমুংশিং অসিগী মনুংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ইমুং ১৮৯৪১, চান্দেলগী ওইনা ৫৮৫২, চুরাচান্দপুরগী ওইনা ২৭১২২, ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা ২৩০৪৯, ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা ২৫০০৭, জিরিবামগী ওইনা ৪৯২, ককচিংগী ওসনা ১১৪১৭, কামজোংগী ওইনা ৬৭৩২, কাংপোকপীগী ওইনা ৫৭০৫, নোনেগী ওইনা ৩৮৭৯, ফেরজোলগী ওইনা ২০৬৪, সেনাপটিগী ওইনা ১৮৬৫০, তমেংলোংগী ওইনা ৮৯২২, তেংনৌপলগী ওইনা ১৬১১, থৌবালগী ওইনা ২২৬৩৭ অমসুং উখ্রুলগী ওইনা ইমুং ১৬২১৫ নি।

হায়রিবা স্কিম অনীসিগী ওইনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা হোস্পিটালশিং এদভান্স স্পিসিয়েলিটি হোস্পিটাল এন্দ রিছার্চ ইন্সটিট্যুট, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, ইবোয়াইমা হোস্পিটাল, জেনিমস, জিবন হোস্পিটাল ককচিং, মায়পাকপী মেটরনিটি এন্দ চাইল্ড হোস্পিটাল, রাজ মেদিসিটি, রিমস, সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিছার্চ ইন্সটিট্যুট প্রাইভেট লিমিটেদ, স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিছার্চ সেন্টর, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, অর্বান হেল্ঠ সেন্টর অমসুং ৱাঙ্গোই সি ঐচ সি হায়রিবা হোস্পিটালশিং অসিদা লায়েংবগী খুদোংচাবা পীরি।

সি এম ঐচ টিগী ওইনা হায়রিবা হোস্পিটালশিং অসিদা চহী অসিগী দিসেম্বর ৩ ফাওবদা অনাবা ১৯৪৪৩ য়েংখ্রে। লোয়ননা অনাবশিং অসিদা স্কিম অসিগী মখাদা লুপা ২৬৫৭২১৩৫৭ বেনিফিট ওইনা খুদোংচাবা ফংহনখ্রে। অমরোমদা পি এম জে এ ৱাইগী ওইনা মথক্তা পনখ্রিবা হোস্পিটালশিং অসিদা চহী অসিগী দিসেম্বর ২ ফাওবগী মনুংদা পূন্না অনাবা ৯০৫৯ য়েংদুনা স্কিম অসিগী মখাদা লুপা ১৫৮৯৪৩৬৩৬ গী খুদোংচাবা ফংহনখ্রে। সি এম এচ টি অমসুং পি এম জে এ ৱাই স্কিম অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা অপূনবা অনাবা ২৮,৫০২ য়েংদুনা অপূনবা শেনফম লুপা ৪২৪,৬৬৪৯৯৩ বেনিফিট ওইনা খুদোংচাবা ফংহনখ্রে হায়রি।

# আর কে ইচনথোইবী জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ আর কে ইচনথোইবীগী বেল এপ্লিকেসন জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্ট – ৱান না রিজেক্ট তৌখ্রে। লোয়ননা মহাক দিসেম্বর ৩০ ফাওবা নুমিৎ ১৫ গী জুদিসিয়েল কষ্টদি রিমান্দ পীখ্রে।

তেরা অখাম লৈকাইদা লৈবা আর কে লোখোনগী মচানুপী আর কে ইচনথোইবী (২৭) মহাক্কী নুমিৎ মঙানিগী পুলিস কষ্টদি মতম লোইখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল পুলিসনা ঙসি জে এম আই সি ইম্ফাল ৱেষ্ট – ৱান দা পুথোকখিবনি অমসুং মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক জুদিসিয়েল কষ্টদি রিমান্দ পীনবা পুলিসনা প্রেয়র তৌখি।

অমরোমদা, দিফেন্স কাউন্সেলগী মায়কৈদগী রিমান্দ ওবজেক্সন ফাইল তৌবগা লোয়ননা বেলদা আর কে ইচনতোম্বীবু থাদোক্লবা প্রেয়র তৌখি। কোর্টনা এ পি পি অমসুং দিফেন্স কাউন্সেলগী সম্মিসনশিং কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথবগী তঙাই ফদবা লৈবদগী দিসেম্বর ৩০ ফাওবা নুমিৎ ১৫ নি জুদিসিয়েল কষ্টদিদা থাজিনখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মায় শোকপা য়াবা ৱাহে ৱাতা কয়া ভিদিও সেসিয়েল মেদিয়াদা অপলোদ তৌখি হায়বগী মরালদা সু মোট্টো কেস অমা লৌখৎতুনা মহাক পুলিসনা হৌখিবা থা অসিগী ১২ দা ফাগৎখিবনি। লোয়ননা দিসেম্বর ১৭ ফাওবা পুলিস কষ্টদি দিমান্দ লৌখৎখিবনি।

# জিরাবমদা ১৪৪ গী অথিংবা থমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ময়াংলম্বম রাজকুমারগী ওর্দর অমগী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ১৪৪ নুংথিল পুং ১২ দগী হৌরগা থা ২ চুপ্পা জিরিবাম পুম্বা সব সেক্সন ২ ওফ সেক্সন ১৪৪ ওফ সি আর পি সি, ১৯৭৩ গী মখাদা অথিংবা থম্লে হায়রি।

অথিংবা অসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মীওই ৫ দগী হেন্না পুনবা য়াদবা, নুংচৈ, থাং তেন অমদি মীশি মীনা অমদি মৈহৌ লাংপোকপা থোকপা য়াবা খূৎশু খুৎলায়শিং পুদুনা চৎপা য়াদবগী ওর্দর থোকখ্রে।

# নুমিৎ হুম্নি চত্থগদবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী ষ্টেট হেল্ঠ সোসাইটি এন্দ মেদিকেল দাইরেক্তোরেটনা শীন্দুনা দাক্তরশিং দা জরিয়াত্রিক মেদিসিলগী মতাংদা নুমিৎ হুম্নি চত্থগদবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি লম্ফেল পাৎতা লৈবা ষ্টেট ফেমিলি ৱেলফিয়ার ত্রেনিং সেন্টরদা হৌদোকখ্রে।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মেদিকেল দাইরেক্তোরেটকী পব্লিক হেল্ঠকী এদিস্নেল দাইরেক্তর ডা. এল অরকেনা অথোইবা মীথুংলেন, রিমসকী দিন (একাদেমিক) প্রো. এ কে ভোগেন, রিমসকী সাইক্রিয়াটিকগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট প্রো. আর কে লেনিন, পাল্লিএটিব কিয়ার সোসাইটি ইম্ফালগী সেক্রেটরী ডা. এস জুগিন্দ্রো, জেনিমসকী মেদিকেল দিপার্টমেন্টকী ডা. লোকেশ্বোরনা ইকায় খুম্নবা মীথুংলেন অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্ঠ সার্ভিসেস (এম সি) গী এদিস্নেল দাইরেক্তর ডা. পি শ্যামসুন্দরনা থৌরম মপু ওইখি। থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হেল্ঠ এন্দ এস এন ও ঐচ দব্লিউ সি গী দিপ্যুটি দাইরেক্তর ডা. ৱাই প্রেমচান্দ্র জরিয়াত্রিক মেদিসিনগী অখন্নবা দিপার্টমেন্ট জেনিমস অমদি রিমসতা লৈহন্নবা প্রোসেস চত্থরি। ষ্টেট অসিগী ওইনা রুরেল এরিয়াগী সব প্রাইমারি হেল্ঠ সেন্টরশিংদা ১৫১ লৈরে। কম্যুনিটি হেল্ঠ সেন্টরগী ডাক্তরশিংসু জরিয়াত্রিক মেদিসিনগী মতাংদা থা ৩ গী ওইবা ত্রেন তৌরগা থম্নবা পায়খৎপা হৌরে হায়না ফোঙদোকখি।

ডা. এল আরকেনা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা হায়, জরিয়াত্রিককী প্রোব্লেম লৈবা মীগী মশীং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। হেগৎপগী চাং অসি চাওখৎপগী চাং ৱাংবা লমদমশিংদসু অদুমক হেল্লি। জরিয়াত্রিককী চাং ৱাংনা লৈখৎলক্লিবা অসি চহীগী, ফিজিকেল্লিদা অহোংবা লাকপা মতমদনা হেন্না লাক্লবগী মরম ওইরি। ইমুং মনুংগী ইকোনোমি প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা সাইকো সোসিয়েল প্রোব্লেম লাকপা অসি লমদম অসিগী ইমুং অয়াম্বদা থোক্লি। মরু ওইনা শেম্থোক লম্বী নেম্বা ইমুংশিংদা তোয়না থোক্লি। অহল ওইরবা মতমদা থেংনরক্কদবা প্রোব্লেমশিং মাঙজৌননা খঙহৌরগা অহল ওইরক্লবা মতমদা থেংনরক্কদৌবশিংগী খরদং ওইরবসু ঙাকথোক্লবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়না ফোঙদোকখি।

# কানি কে জি ৫গা কোন্নন ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দো টিম অমনা ঙরাং নুংথিল পুং ৩.২০ রোম তাবা মতমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা ক্লাক্তা সাবল লৈরক্কী এরিয়াদা ফ্রিস্কিং এন্দ চেক্কিং চত্থবদা দ্রগ লল্লোনবা মীওই কানি কে জি ৫গা কোন্নন ফারে। ফারবা মীওই অদুগী মমিং হেগিন হাওকিপ (৩৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা হেগিন সৈগম কৌই, তুইবোং ল্হোজোল ভিল্লেজদগীনি। মহাক্কী মথক্তা মোইরাং পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎতুনা থিগৎপা হৌরে হায়রি।

# পোক্সোঃ চহী ৬৪ গী নুপা অমা জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা থা অসিগী ১০ দা চহী অনী মখায়দা ঙাইহিরবী অঙাং অমদা সেক্সুচুয়েল এসল্টস চত্থখি হায়বা থৌদোক অমগা মরী লৈননা চহী ৬৪ শুরবা নুপা অমা স্পিসিয়েল জজ পোক্সো ইম্ফাল ৱেষ্টনা দিসেম্বর ৩০ ফাওবা নুমিৎ ১৫ নি জুদিসিয়েল কষ্টদি রিমান্দ পীথখ্রে।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদুদি লফুপাৎ তেরা খুনৌ খোরদাক অৱাং লৈকাইদা লৈবা লৈখিদ্রবা বিরমঙ্গোলগী মচানুপা নিংথৌজম চাউবা (৬৪) নি। মহাক ঙসি পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লোইখিবগা লোয়ননা স্পিসিয়েল জজ পোক্সো ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোকখি অমসুং মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক জুদিসিয়েল কষ্টদি রিমান্দ পীবিনবা পুলিসনা প্রে তৌখি।

কেস অদুগী আই ওনা স্পিসিয়েল পি পিগী খুত্থাংদা থম্লকখিবা সবমিসন অদুনা পল্লিবদি, হৌখিবা দিসেম্বর ১১ দা ভিক্টিম অদুগী অপোকপীনা ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱুইমেন পুলিস ষ্টেসনগী ও সিদা হৌখিবা দিসেম্বর ১০ গী নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবা মতমদা এক্যুজ অদুনা মহাক্কী মচানুপীদা সেক্সুচুয়েল এসল্টস চত্থখ্রে হায়বগী কমপ্লেন্ট থারকখি। লোয়ননা রিগুলর কেস অমা রেজিষ্টার তৌখি।

নুমিৎ অদুমক্তদা হায়রিবা এক্যুজ অদু মহাক্কী ময়ূমদগী ফাগৎনবা থিবা–হুম্বগী থবক চত্থখি। অদুম ওইনমক নুমিৎ অদুদা ফাগৎপা ঙমি–খদে। অদুবু মখা তানা কেস অদুগী ইনভেষ্টিগেসন চত্থবদা নিংথৌজম চাউবা ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱুইমেন পুলিস ষ্টেসনদা ঙরাং সরেন্দর তৌরকখিবনি।

সবমিসন অদুনা মখা তানা পল্লিবদি, এক্যুজ অদুগী মথক্তা ৱাহং পাউহং চত্থবদা থৌদোক অদু মহাক্না চত্থখি অমসুং মহাক্কী মথক্তা শীরিবা মরাল অদু মশানা য়াজখি। লোয়ননা মখা তানা ইন্ট্রোগেসন অমসুং ইনভেষ্টিগেসন চত্থবগী তঙাইফদবা লৈবনা মহাকপু জুদিসিয়েল কষ্টদি রিমান্দ পীননবা প্রে তৌখি। কোর্ট অসিনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা দিসেম্বর ৩০ ফাওবা নুমিৎ ১৫ নি জুদিসিয়েল কষ্টদি রিমান্দ পীবগী অয়াবা পীখিবনি।

# ‘দিসেম্বর ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৌশিনবিয়ু’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবা এপ্রুভ তৌদনা লৈরিবা হৌখিবা চহী ২০১৮ গী দিসেম্বর ২২ দা হায়দোকখিবা মণিপুর পুলিস কন্স–টেবল ৱেটিং লিষ্ট ২০১৩ বেটচ অসি চৎলিবা থা অসিগী ২৫ ফাওবী মনুংদা এপ্রুভ তৌবিয়ু হায়না কেন্দিদেটশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি মণিপুর পুলিস কন্সটেবল ৱেটিং লিষ্ট ২০১৩ বেটচকী কেন্দিদেটশিং অমদি পেরেন্টশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মথক্কী ৱাফম অসি কেন্দিদেট নামৈরাকপম সুরজনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খি, মণিপুর পুলিস কন্সটেবল ৱেটিং লিষ্ট ২০১৩ বেটচ অসি হৌখিবা চহী ২০১৮ গী দিসেম্বর ২২ দা ফল লাউথোকখিবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা কেন্দিদেটশিং অসি এপ্রুভ তৌবিদনা থম্বীরি। মণিপুর লৈঙাক অসিনা লমদম অসিগী থবক ফংদবা নহা কয়াদা থবক পীগনি হায়বগী থাজবা পীখ্রবসু ঙসি ফাওবা ২০১৩ পুলিস কন্সটেবল ৱেটিং লিষ্টকী ওইনদি চহী ১ ফারবা ফাওবা এপ্রুভ তৌবিদনা থম্বা হায়বসি য়াম্না লাইবক থিবনি।

হৌখিবা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী ওইবা ৱেটিং লিষ্ট খুদিংমক মতাং–মতম চানা এপ্রুভ তৌখিবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা কেনিদদেটশিংগী অমসুং পেরেন্টশিংগী অৱাবা উবিদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা চৎলিবা থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা ২০১৩ পুলিস কন্সটেবল ৱেটিং লিষ্ট কেন্দিদেটশিংবু এপ্রুভ তৌবিয়ু। করিগুম্বা লৈঙাক অসিনা দিসেম্বর ২৫ ফাওবগী মনুংদা কেনিদদেটশিং অসিবু এপ্রুভ তৌবিদবা তারবদি মখল–মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# নোংয়াই ওকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ মতম কুইনা লানহৌলূপ য়াওদুনা অন্দর গ্রাউন্দা লৈরুবগা লোয়ননা গুৱাহাটি সেন্ট্রেল জেলদসু চহী ১০ রোম লৈরুরবা আইন্না থিং খ্রবা লানহৌলূপ য়ু এন এল এফ কী সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন ওইরম্বা মোইরাংথেম জয় এলাইজ নোংয়াইবু ঙসি ৱাবগাইদা মীয়াম্না ওকখ্রে।

ৱাবগাইদা পোকখিবা চাও–খবা মোইরাংথেম জয় এলাইজ নোংয়াইনা হৌখিবা চহী ৪০ রোম ময়ূম থাদোক্তুনা চৎলুরবা মতুংদা অমুক হল্লক্তুনা মহাক্কী হৌমী কামীন্নরকপা মমান্নবশিং, অহল লমনশিং, মচিল মনাও, খঙনা চানবশিং অমদি তোঙান তোঙানবা লূপকী মীওইশিংনা ঙসি অয়ুক ৱাবগাইদা হরাও তয়াম্না ওকখি।

মহাকপু ওকপগী থৌরমদুদা এস ঐচ চাউবা, এস ঐচ দ্বিজমনি, এম ভুবনেশ্বোরনা দাইজতা ফমখি। থৌরম অদুদা নোংয়াইনা মতৌ করম্না লানহৌলূপ য়াওখিবা, য়াওরবা মতুংদা থেংরনকপা অৱা নুংহাই লোয়ননা জেল মনুংগী পূন্সিগী মতাংদা ময়ামদা পাউদমখি।

পনবা য়াবদি, য়ু এন এল এফ কী হান্নগী সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন অসি ২০১০ গী ওক্তোবর ১০ দা ফারবা মতুংদা গুৱাহাটি সেন্ট্রেল জেলদা লৈরকখিবনি। মহাক্কী ফাদোক মতম লোইরদুনা নবেম্বর ১৫ দগী জেলদগী থাদোক্লবা মতুং নবেম্বর ১৬ দা মণিপুর য়ৌরকখিবনি হায়রি।

# অমিকনা মৈরা কত্তুনা সোলিদরিটি উৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা অসামদা চঙশিনখিবা খোঙজংদা আর্টিষ্ট অমা লৈখিদবদা অপুনবা মতম ঈশৈ কাংলুপ (অমিক)না মোইরাংখোমদা লৈবা হিচম য়াইচম পাত্তা মৈরা কত্তুনা সোলিদরিটি উৎখ্রে।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম অমিক্কী থৌমীশিংনা মৈরা কত্তুনা সোলিটরিটি উৎপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা অমিক্কী সেক্রেটরী ময়েংবম ধননজয়না হায়খিবদা, সি এ একী মায়োক্তা অৱাং নোংপোক পুম্বদা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা আসামদা চঙশিনখিবা খোঙজংদা সাম কৌবা আর্টিষ্ট অমা লৈখিদবা অদুগী মফমদা সোলিটরিটি উৎপা ওইনা ঙসি মৈরা কৎপগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মহাক্কী থৱায়না ইংনা চিক্লা লৈবা ওইরসনু।

মহাক্লা হায়, এক্ট ওনখ্রবা সি এ এক্টনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট পুম্বগী য়েলহৌমীশিংদা তুংদা শোকহল্লক্কদরা হায়বগী অকিবা অদু অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামগী থম্মোইদা ফাওনরি।

হৌজিক সি এ এগী মায়োক্তা চং শিল্লিবা খোঙজং অসিদা শৌগৎপা নৎত্রগা শৌগৎতবগী ৱাফম নৎত্রবসু এক্ট অসিনা অৱাং নোংপোক্কী য়েলহৌমীশিংদা শোকহল্লক্কদরা হায়বসি আর্টিষ্টশিংগী থম্মোইদশু ফাওই হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

অৱাং নোংপোক্তা সি এ বি চৎনবা য়ারোই অমদি কন্দিসন য়াওদনা সি এ বি হন্দোকউ হায়বা প্লে কার্দশিং মৈরা কত্তুনা সোলিদরিটি উৎপগী থৌরম অদুদা শিজিন্নখি।

# সি এ এগী মায়োক্তা মহৈরোইশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট চৎনবা য়ারোই হায়দুনা দি এম কোলেজ ওফ কম্মর্সকী মহৈরোইশিংনা ঙসি ৱাকৎ মীফমগা লোয়না রেল্লি চত্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

দি এম কোলেজ ওফ কম্মর্সকী গেটতা মহৈরোইশিংনা ৱাকৎ মীফম চত্থরবা মতুং মফমদুদগী হৌরগা কংলাপাৎ মেন রোদতা রেল্লি অমা লাকখি। অদুবু মেন রোদ য়ৌরকপদা পুলিসনা থৎপগা লোয়ননা মফমদুদগী হলহনখি।

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা কোলেজ অসিগী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী ফাইনান্স সেক্রেটরী তমতমনা হায়, ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা এক্ট ওনখ্রবা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট অসিগী মায়োক্তা তুংগী মীরোলগীদমক খল্লগা ঙসিগী মীরোলনা হনবা লৈতনা খোঙজং চঙশিনখিগনি।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং অসি দম্পিং গ্রাউন্দগুম উবসি য়ানিংদে। সি এ এক্টকী মায়োক্তা অসাম অমদি ত্রিপুরাদা খোঙজং চঙশিনবদা মীওই কয়া লৈখিদবা অসিগীদমক্তা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি হায়নশু মহাক্লা মখা তাখি।

# শিন্মীশিংনা ওভরব্রিজ মথক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ সি এ এফ এন্দ পি দি লেবর ৱেফেয়ার এসোসিয়েসনগী মখাদা সঙাইপ্রৌ এফ সি আই গোদাউনদা হান্না থবক শুরম্বা শিন্মীশিংবু ইখঙ খঙহৌদনা কন্ট্রেক্তর শিল্লে হায়দুনা থবক শুবা লেপহনখিবা অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি শিন্মী ৮ না ওভরব্রিজ মথক্তা মঙক্তা য়োৎলি থুদুনা পরেং লেপ্তুনা শিদ্রি ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অদুদা শিন্মীশিংগী হক খোঙ্গাওনবিগনু, থবক শুবা ফংহল্লু, মথাই ইন্টরপ্রাইজেস ৱ্লেকলিষ্টতা চনহল্লু হায়বনচিংবা প্লেকার্দ কয়াসু শীজিন্নখি। তুংদা সিটি পুলিস ষ্টেসনগী ও সিনা লুচিংবা পুলিস টিম অমা লাক্তুনা খোঙজংলোইশিং অদুবু লৌ–খৎখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা শিন্মী পেবম রাজেননা হায়, হৌ–খবা দিসেম্বর ৩ গী নুমিদাং পূং ৮ ফাওবা শিন্মীশিং অসি এফ সি আই গোদাউনদা থবক শুরম্বনি অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা গোদাউন অসিগী কন্ট্রেক্তর শিল্লে হায়দুনা মথংগী নুমিত্তা থবক শুবা চঙহল্লকখিদবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি শিন্মীশিংগী হকপু খোঙ্গাওনবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওফিসিয়েল কয়া উন্নদুনা ৱারী শান্নি–খবা লৈরে। অদুবু ঙসি ফাওবা থবক অমত্তা পায়খৎপিরক্ত্রি। মসিদসু নত্তনা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং কয়াসু চঙশিনখিবা লৈরে। অদুবু লৈঙাক অসিনা শিন্মীশিংগী ৱা থওইনা লৌবিদবদগী ঙসিগী শিদ্রি ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং অসি চঙশিনবনি হায়না মহাক্লা মখা তানা হায়খি।

# ট্রান্সফার ওর্দর থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ খোংজোম পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার ইন চার্জ ওইনা পুরম্বা ইন্স–পেক্টর কে ঐচ দিলিপকুমার সিংহ দিসেম্বর ১৩ দা থোকপা দি জি পি মণিপুরগী ওর্দর অমগী মতুং ইন্না মোরে পুলিস ষ্টেসনগী ও সি ওইনা ট্রান্সফার তৌখ্রে হায়রি।

# পোপী পাম্বী য়াম্থত্তুনা মাংহনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ঙাতন অমসুং অকায়লোংদি হিল রেঞ্জগী একর ৪৫ রোমদা থারম্বা পোপী পাম্বী সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, এন এ বি, এন সি বি, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী অপুনবা টিম অমনা ঙসি য়াম্থত্তুনা মাংহনখ্রে। মখা তানা থিগৎনবগীদমক য়াম্থৎপা অদুগা মরী লৈননা সেনাপটি পুলিস ষ্টেসননা কেস অমশু লৌখৎলে হায়না পুলিসতগী ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

# বস অমদা লুপা লীশিং অমগী দিজলনা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌবা…

*লমায় ১গী মখা…* সি এ এফ এন্দ পি দিনা লুপা লিশিং অমখক্কী পীবগী মহুত্তা ত্রিপ অমদা চংবা থাউ অদু চাং শুনা পীবিয়ু হায়না আপীল তৌখি। হৌজিক মালোমদা লৈরিবা ওইল দিপোট অসিদা থা অহুমগী ষ্টোক থম্বা য়াই হায়না আই ও সিনা লাওথোকখিবা লৈখি। অদুবু ইরাং থোকপা নুমিৎ নীনি হুম্নি অসিদা থাউ ষ্টোক নুমিৎ খরনিখক্কী ঙাইরে হায়না ফোঙদোক্লকপা অসি দিপোট অসিদা লৈরিবা থাউশিং কদায়দা চৎখ্রে।

হৌজিক মহৈরোইশিংগী পরিক্ষা তৌরিবনি। অদুবু পীরিবা থাউগী চাং অসিনা করম্না সর্ভিস তৌবা ঙমগনি। হৌজিক খৃষ্টমাসকী অচৌবা ফেষ্টিভেল লৈবনা মরম ওইরগা গাড়ি লেপ্পদসু খুদোং চাদবা লৈবনা মীয়ামগী য়েংলগা করি তৌবা য়াবগে হায়না তান্নদুনা লাকপনি।

মরম অসিনা লৈঙাক্লা পীরিবা থাউ অসি অমুক হন্না রিভিয়ু তৌবিদুনা খরা হেন্না থাউ পীবিনবা হোৎনবীয়ু হায়নখি। লোয়ননা ৱাফম অসিদা লৈঙাক্লা তাবিদবা তারবদি ট্রান্সপোর্টর এন্দ ড্রাইভর কাউন্সিলদা পুখত্তুনা মখা তানা করি খোঙজং চংশিনগদগে হায়বসু লেপথোক্লনি হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিনা লমদম অসিদা পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরিবা গাড়ীশিংদা চাউনা অপনবা পীরি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

অমরোমদা, মীয়ামদা থাউ (পি ও এল) পীবা খুদক্তগী থিংনবা কঞ্জুমর এফিয়ার্স এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন দাইরেক্তোরেটনা ভারত পেট্রোলিয়ম কোর্পোরেসন লিমিটেদকী মেনেজরদা অইবা চেরোল পীদুনা খঙহনখ্রে।

দাইরেক্তোরেট অসিগী দাইরেক্তর রঞ্জন য়ুম্নামনা খূৎয়েক পীদুনা থাখিবা চেরোল অদুগী মতুং ইন্না হৌজিক ওইরিবা অসামগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম অমদি গভর্ণমেন্ট অমদি ভি আই পিশিংগী শীজিন্নবগীদমক্তা থাউ খাক্তুনা থম্বগী তঙাইফদবা লাকপদগী অথিংবা অসি থম্লকপনি হায়রি।

গভর্ণমেন্টনা ওথোরাইজ তৌবা নত্তনা থাউ য়োনবা থিংই হায়বা ৱাফমসু চেরোল অদুদা পল্লি।

# নাগা লালহৌবগী ৱারোইশিন পুরকপদা মতেং …

*লমায় ১গী মখা…* হেনগৎলকপগা লোয়ননা লমদম অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম য়াম্না ফগৎলে। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লৈঙাক পায়বা হৌরকপদগী হৌখিবা চহী অনীমখায়রোম অসিদা ষ্টেট অসিদা বন্দ, ব্লোকেট, জেনরেল ষ্ট্রাইক্লচিংবা তৌখিদ্রে। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পূং ৯ / ১০ ফাওবা কৈথেল হাংনরে হায়খি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা পায়খৎপা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংগী মরমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, খোংশাং তমেংলোং লম্বী পাকথোকপা, দুইথাংলোংদা এফ সি আইগী গোদাউন শাবা অমদি ৱাতর সপ্লাই স্কিম শাবগী থবকশিং হৌজিক মপূং ফানা চত্থরি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা ৱুইমেন মার্কেট অসি অহেনবা ফন্দ থাদদুনা অপগ্রেট তৌরগনি। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী অকোয়বা লৈরিবা ইন্টর ভিল্লেজ রোদসু অথুবদা শেমজিল্লগনি হায়নসু থাজবা পীখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়া–খবা মণিপুর লৈঙাক্কী হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা হায়খিবদা তমেংলোং অসি মফম অসিদা ফংলিবা কোমলাগী মহাও অমসুং মীরমদগী পাইরকপা উচেক অমুর ফালকোননা মালেমদা শক্তাক্লিবনি। অমুর ফালকোন অমসুং হোর্নবিলগী ওইবা অখন্নবা ফেষ্টিভেল অমা পাঙথোক্লনবা লৈঙাক অসিনা হোৎনরগনি। শা–উচেক হাৎপনা মরম ওইরগা ইকোলোজিদা অকায়বা পী। মরম অদুনা ষ্টেট অসিদা এয়ার গনশিং শীজিন্নবা থিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক হেল্ঠ এন্দ ইঞ্জিনিয়ারিং মিনিষ্টর লোসি দিখো, এম এল এ অৱাংবৌ ন্যুমাই, সামুৱেল জেন্দাই, এ দি সি তমেংলোংগী চেয়ার্মেন নমসিংরৈ পামৈ, তমেংলোংগী দি সি আর্মষ্ট্রোং পামে অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরী নিংথৌজম জিওফ্রিসু শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা চর্চ ২৮ দগী খনগৎলবা মেম্বর ১,০০০ রোমনা ঈশৈ, জগোয় অমদি কলচরেল প্রোগ্রামশিং উৎখি। লোয়ননা ওরেঞ্জ ক্যুইন কন্টেষ্ট, ওরেঞ্জ ইটিং কম্পিটিসন, তমেংলোং গোট টেলেন্ট, রোক কন্সর্ট অমসুং ঈশৈ– নোংমাই চাংদন্নবনা চহী অসিগী ওইনা ফেষ্টিভেল অসিগী মপূং ওইবা থৌরমশিং ওইরি।

ফেষ্টিভেল অদুগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক–খবা ওরেঞ্জ কম্পিটিসন অদুদা কোম্লা থাবা ফার্মর ৩৭০ রোম্না শরুক য়াখিবগা লোয়ননা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাশ্রবা ফার্মরশিংদা মথংশিংনা লুপা লাক্ষ ২, লাক্ষ ১ অমসুং লুপা ৭৫,০০০ গী মনাসু চীফ মিনিষ্টরনা য়েম্থোকখি। লোয়ননা কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াখিবা কোম্লা থাবা ফার্মরশিংদা লুপা লীশিং ১০ / ১০ সু পীখি।

# মহৈরোইশিংবু লম্বীদা পুথোক পুথোক্তুনা প্রোটেষ্ট …

*লমায় ১গী মখা…*অসি য়ারিবমখৈ তৌহন্দনবা হোৎনরসি। হৌখিবা চহী অনীমখায় অসিদা লৈঙাক অসিনা য়াম্না মাঙজিল থানা থবক তৌদুনা লাক্লি। মখা তানসু তৌদুনা মীয়ামগীদমক অনিংবা অপাম্বা পূন্নমক থবক ওইনা ওহোক্লবা হোৎনবা চংলি।

লৈবাক অসিগী য়েংলগা পাস তৌখিবা সি এ বিগী মায়োক্তা দিসেম্বর ১৯ দা পোলিটিকেল পার্টি খরনা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরিবা অসি মরম চাদে। মরম চাবা থবক ওইরবদি মহৈরোইশিংসু য়াওশিনবা য়াই। মরম চাদবদা ইশু মচা মশুশিংদা লূপ খরগী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসনগুম্না মহৈরোইশিংবু লম্বীদা পুথোক পুথোক্তুনা লান্না লমজিংবা অসি তৌহল্লরোইসি। মসি থিংনবগীদমক স্কুল কোলেজশিংগী প্রিন্সিপালশিং, কৌরগা পাউতাক পীবা তাই। লোয়ননা মহৈরোইশিংবু এক্সন লৌনবা হোৎনবা চংই হায়খি।

মরম চাদনা বন্দ ব্লোকেদ তৌবশিংগী মথক্তা লো লৈ হায়বসি খঙনবা তাবনি। শাংলবা চহী অনিমখায় অসি মাঙজিল থানবা থবক তৌদুনা লাকপনি। অদুবু হৌখিবা থা খরা অসি লাইবক থিবা থৌদোক খরনা মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙমদনা লাকপনি। হৌজিক্তি মখা তানা চঙশিনবা ঙম্নগনি হায়খি।

মহাক্লা হায়, ঙসিগী পালন থৌরম অসি মপূং ওইনা কুমজা ১৯৭১ দা শোক্লখিবা ইন্দিয়া পাকিস্থান লান অদুদা ইন্দিয়ানা মায় পাকখিবা নুমিৎ অদুবু নীংশিংদুনা পাঙথোকপনি।

ইন্দিয়াগী অপুনবগী শক্তম ঙাকপা হায়বসি লৈবাক অসিগী সিতিজেন খুদিংমক্কী ইথৌনি। ঐখোয়না ফুরুপ কাঙলূপকী ৱাখলদা থবক তৌবা তারবদি মদুনা লৈবাক অসিগী মাঙজবা ওইগদবনা মদুগী ৱাখল থাদোকসি হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হায়, কুমজা ১৯৭১গী ইন্দিয়া–পাকিস্থানগী লানফম অদুনা ইষ্ট পাকিস্থানবু বাংলাদেশ হায়না মিং থোন দুনা মনিংতম্বা লৈবাক অমা ওইহনবা ঙমখিবনি। মসিনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগীদি য়াম্না মরুওইবা নুমিৎ অমনি হায়না লৌবা য়াই হায়খি।

হৌজিক ফাওবদা পাকিস্থাননা ইন্দিয়াদা শিংনবা লেপত্রি। মদুমক্তনা কার্গিল লান থোকখিবনি। লৈবাক অসিগী অপুনবগী শক্তম কন্নবা অমদি মপাঙ্গল কনবা এম এল এ ওইহন্নবা হোৎনবদা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নবা তাই হায়খি।

থৌরম অদুদা মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, চীফ সেক্রেটরী, দি জি পি অমদি সিভিল অমদি পুলিসকী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

# ইলেক্টোরেল রোলদগী ইলেক্টর ৬৭,৮৪৪…

*লমায় ১গী মখা…* সেপ্টেম্বর ১ দগী হৌরগা নভেম্বর ৩০ ফাওবা চত্থখিবা ইলেক্টর ভেরিফিকেসন প্রোগ্রাম অসিদা মপুং ওইনা সেল্ফ ভেরিফিকেসনগী থবক চত্থখি।

ই ভি পি চত্থবা হৌরকপা মতমদা ওইখিবা ইলেক্টরগী মশীং অসি ৯১,৩৯,২৪৪নি। মসিগী মনুংদা ভেরিফিকেসন তৌনবা হায়জরকপা মশীং অসি ১৮,৮৬,২০০ নি। লোয়ননা ইলেক্টরশিংনা চুম্লে হায়না খঙহনলকপা মশীংনা ৮,১২,১৯৩ নি। অরানবা এন্ট্রিনি হায়না হায়রকপশিংনা ইলেক্টর ১০,৭৩,৮৮৭ নি। ই ভি পি মনুংদা হান্না লানলম্বদগী চুমথোক্লবা ইলেক্টর মশীংনা ৮,৩৬,৩৯৫ নি। ই ভি পিগী মমাঙদা কলর ফোটোগ্রাফ হাপ্লবা ইলেক্টরগী মশীংনা ৫,৭২,০৯৭ নি অদুগা ই ভি পি মতুংদা কলর ফোটো ওন্থোক্লবা মশীংনা ১১,৯৬,১১৪ নি। ই ভি পি অসিদা থেংনরকখিবা শিখিবা, ময়ুম হোংখ্রবা, শাশিন্নবা ইলেক্টর মশীংনা ৬৭,৮৪৪নি। ই ভি পি মনুংদা মিং চনখ্রবা হন্না ইলেক্টোরেল রোলদা য়াওরমদবা ভোটর মশীংনা ১০,৫৬২ নি।

দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা কলর ফোটো য়াওবা ইপিক চাদ ১০০ য়াওরবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্টতা ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ১৪, কাংপোকপীদা ৩, সেনাপতিদা ২, তমেংলোংদা ১, চুরাচান্দপুরদা ১ পুন্না ২২নি।

ঙসিদগী স্পিসিয়েল সম্মরি রিভিজনগী থবক হৌবগা লোয়ননা কুমজা ২০২০গী জনুৱারি ১৫ ফাওবা চত্থগনি। হায়রিবা মতম অসিদা কনাগুম্বনা মিং হাপচিনবা, লৌথোকপা, অরানবা চুমথোকপা, মফম হোংদোক হোংজিন তৌবগী খুদোংচাবা লৌবা য়াগনি হায়খি।

মসিদা নত্তনা কনাগুম্বনা www.nvsp.in দা চংলগা ওনলাইনদা কুমজা ২০২০গী জনুৱারি ১ ফাওবদা মশাগী চহী ১৮ শুরবা মীওই অমনা ইলেক্টোরেল রোলদা মিং হাপচিনবা য়াগনি লোয়ননা কনাগুম্বনা অরানবা শেমদোকপা, লৌথোকপা অমদি মফম হোংদোক হোংজিন তৌবনচিংবসু য়াগনি হায়খি।

# সি এ এগা মরী …

*লমায় ১গী মখা…* মরী লৈননা ঙম্লগদি ঐহাক্কী গভর্ণমেন্ট মুখৎলু, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা প্রসিদেন্ট রুল থম্মু হায়না য়াম্না কন্না শীংনখ্রে।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ষ্টেটকী গভর্ণরগী ওর্দর মৱা লৌদনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা কোলকটাগী ময়াই চবুক্তা মীওই লাক্ষ কয়া শরুক য়াবা মীয়ামগী ৱাকৎ খোঙচৎ অমা লুচিংদুনা শরুক য়াখ্রে। খোঙচৎ অসি লাইনিংদা য়ুম্ফম ওইবা লাম্থেং অমা নত্তে। মসিদি অচুম্বদগী চঙশিনবা লাঞ্জংনি। লৈবাক অসিগী দিমোক্রেসি কন্ননবা অমসুং বি জে পিনা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন থুগায়ননবা হোৎনবদগী কন্ননবা খোঙচৎনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখ্রে।

মরক অসিদা, ঙরাং নুমিদাংৱাইরম দিল্লিগী জানমিয়া মিলিয়া ইস্লামিয়াদা দিল্লি পুলিসনা চত্থখিবা তমথিরবা মীওৎ–মীনৈগী থবকশিং অদুগী মতাংদা ঙসি হায়দরবাদ, লক্ষনৌ, মুম্বাই অমসুং কোলকটা য়াওনা তোঙান তোঙানবা য়ুনিভর্সিটি কয়ামরুমগী মহৈরোইশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে। সি এ এগী মায়োক্তা প্রোটেষ্টরশিংনা হৌরকপা ইরাং অদুগী তুংদা য়ুনিভর্সিটি ওথোরিটিদগী অয়াবা অমত্তা লৌদনা পুলিসনা নুপা হোষ্টেলরশিং অমসুং কেম্পসতা থোমজিন্দুনা মহৈরোইশিং তপ–তানা ফুন্দখি। য়ুনিভর্সিটি কেম্পস মনুংদা টিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপশিনখি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মীপাইবনা থল্লবা মহৈরোইশিং হৌজিক ফাওবা মীহুল চেঙ্গা– চেঙ্গুনবগী ফীভমদা লৈরি।

পুলিসকী কা– হেনবা থৌওং অদু য়ানীংদবা উৎপা ওইনা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোইশিংনা এগজামিনেসন বোইকোট তৌখ্রে। কা– হেনবা পুলিসকী লিচৎশিং অদুবু লৈবাক অসিগী মশক নায়বা মীওই কয়ানা পেন্দবা ফোঙদোক্লুরক্লি।

# সনামহি লাইনিংবু মাইনোরিটি রিলিজন ওইনা …

*লমায় ১গী মখা…* চেঙহোংবা, হৈক্রু হিদোংবা, ক্বাক তানবা, পান্থোবী ইরাৎপা, ইমোইনু ইরাৎপা, লাইনিংথৌ পিসাতাওনচিংবা ইনাৎকী লাইথোঙশিংদা হেন্না খঙনবা থিজিনবা হেনগৎলক্লি। ঐখোয়গী ইরাৎ লাইনিংগা মরী লৈনবা লূপ লিংখৎলক্তুনা মানা–মানা ঙম্বা থাক্তা হোৎনজদুনা পারি–পুরিগী খোঙ্গুল লীবা লূপ মশীং থিঙমদনা লৈখ্রে। মসিমক ঐখোয়গী ওইবা সনামহি লাইনিং অসি খুমাঙ চাউশিল্লকপগী ময়েক লারবা খুদম অমনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোদ এক্ট ১৯৭৬ চৎনহন্দুনা অহানবা মণিপুরী রাইফলস কমপ্লেক্সতা লৈরিবা সনামহি লাইশঙ অসি মীয়াম্না ইনাৎকী লাইথৌ থৌরম পূন্নমক পাঙথোকপা ফংজরে। মালেমদা লৈবা মরু ওইবা লাইনিং কয়াগী হোলি বুক লৈনবগুম সনামহি লাইনিং অসিগীসু লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোদনা মপূং ওইবা থৌদাং লৌদুনা মতম কয়াগী মমাঙদগী সনামহি লাইনিংগী অশেংবা লাইরিক ‘পুয়া’ অমা অথুবা মতমদা থন্নবা ৱারেপ লৌরদুনা অকনবা থবক চঙশিনবা হৌখ্রে। সনামহি লাইনিং অসিনা কন্ননবা অমদি চাউখৎনবা, মালেমগী থাক্তা পুখৎনবা খোঙজং অমা ওইনা লাইনিংথৌ সনামহি থৌগল কাঙবুনা ফাউন্দেসন ফোর য়ুনিভর্সিটি ওফ সনামহি কলচর কৌবা সনামহি লাইনিংকোল অমা লিংখৎনবা কন্না হোৎনবগী মায় পাকপা ওইনা নোংমাই চীং চীঙ্গোই মরুদা অচৌবা সনামহি কিওং অমা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রে।

অসি য়ৌনা চাউখৎলবা সনামহি লাইনিং অসিবু লৈঙাক অসিনা ঙসিসু করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎপা উদ্রি। হীরম অসিদা হৌজিক্লা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা এন বিরেন কুমজা ২০০২ গী ওগষ্ট ১ দা মতম অদুদা হাউস কম্মিটিগী মেম্বর ওইদুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হাউসনা রিজোল্ব তৌখিবা সনামহি রিলিজন শকখঙবা অমদি সেপরেট রিলিজস কোদ অমা লৈহনবা হায়বা ৱারেপ অসি কুমজা ২০২১ গী সেন্সস ওপরেসন নংনবা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু। করিগুম্বা নংহৌদবা তারগদি চহী ১০ অমগা থেংথখিবা হায়বসি লাইনিং অসিবু চাউখৎনবা হোৎনজরিবা অমদি হিংদুনা লৈহন্নবা হোৎনজরিবা মীয়াম অমদি লূপশিংদা চাউনা অপনবা অমা পীরগনি। মরম অদুনা লাইনিং অসিবু ঙাকপী শেনবিবদা অমদি চাউখৎনবা হোৎনবদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌবিরক্কনি থাজে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোখি।